# ‘ওষ্ট্রেলিয়া, য়ুকে অমসুং য়ুএসকী সবমেরিন পেক্ট অরানবা অমসুং খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লম্বীদা খোঙ থাংজিনবনি’

বৈজিং, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়া, য়ুকে অমসুং য়ুএসনা ন্যুক্লিয়র-পৱার্দ সবমেরিন দিল অমা লাউথোকখ্রবা মতুংদা মদু লৈবাক অহুম্না অরানবা অমসুং খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লম্বীদা খোঙ থাংজিনবনি হায়না চাইনানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱার্নিং তৌখ্রে।




ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুএসকী ন্যুক্লিয়র-পৱার সবমেরিন মঙা ফাওবা লৈগনি অমসুং মদুগী মতুংদা য়ুএস অমসুং বৃটিস টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা অনৌবা মোদেল অমা শাগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখিবনি। ন্যুক্লিয়র পৱার সবমেরিনশিং লৈবগা লোয়ননা অনৌবা মোদেল অমা শাগদৌরিবদু চাইনানা মিলিটরি পাঙ্গল উৎপগী চাং হেনগৎলকপগী ফিভম মরক্তা এসিয়া-পেসিফিক্তা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মশল পৱার হেনগৎহন্নবগী অচৌবা পাদম লৈবা থৌরাং অমগী মখাদা পায়খৎকদৌরিবনি।

থা ১৮ গী মমাঙদা এ য়ু কে য়ু এস হায়না খঙনবা ৱাশিংতন অমসুং লন্দন য়াওবা এল্লায়ন্সতা য়াওখিবা ওষ্ট্রেলিয়া দিল অসিগী মখাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় ফঙহনবদি তৌরোই হায়না য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক ন্যুক্লিয়র রিএক্টরশিংনা পৱার পীবা সবমেরিনশিং লৈবা হায়বসি ওষ্ট্রেলিয়াবুসু অসিগুম্বা মখলগী সবমেরিনশিং লৈবা মালেমগী লৈবাক খরখক্কী ওইবা এলিটক্লব অমগী মনুং চনগদৌরিবনি।

থৌরাং অপুম্বসি য়ুএসনা লুচিংদুনা চাইনাগী মিলিটরি এক্সপান্সনগী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিংদা মাঙজিল থাহনগদৌরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ওষ্ট্রেলিয়াসু অমা ওইহনবগী পান্দমদা পায়খৎলকপনি হায়না লৌনরি।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাং ৱেন বিননা হায়খি, মদুদি য়ুএস, য়ুকে অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অসিনা লৈবাক অহুম্না মখোয়গী ওইবা জিও পোলিটিকেল ইন্টরেষ্ট খক্তমক য়েংলগা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংগী অনিংবা অপাম্বশিংদি য়েংদনা অরানবা অমসুং খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লম্বীদা মখা তানা খোঙ থাংজিল্লি হায়বসি উৎলি।

ৱাং ৱেন বিননা নোংচুপলোমগী মীচং লৈবাক অহুম অসিবু খুৎলায় লমজেল তান্নবগী ফিভম লাকহন্নবা শিল্লি হায়না মরাল শীরদুনা সেক্যুরিটি দিল অদু কোল্ড ৱারগী ৱাখল্লোনগী ময়েক লারবা কেস অমনি হায়খি।

বৈজিংদা রেগ্যুলর ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙখিবা ৱাং ৱেন বিননা হায়খি, মদুদি ন্যুক্লিয়র-পৱার্দ সবমেরিনশিং য়োনবা হায়বসি মালেমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় মশিং শন্দোরকপা নত্ত্রগা হেনগৎহল্লকপা য়াবা অরানবা খোঙথাংনি। মসি নন-প্রোলিফরেসন ট্রিটিগী পান্দমশিংগী মায়োক্তনি। দিল অদুনা মরম ওইদুনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শন্দোরকপা নত্ত্রগা মশিং হেনগৎলকপগী ফিভম লৈগদৌরিব্রা হায়বসি য়ুএন ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোক্লা য়েংশিনবা মথৌ তাই হায়না ৱেন বিননা ফোঙদোকখি। ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জিগী চীফ রাফেল গ্রোসিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা হায়খি, মদুদি প্রোজেক্ট অসিনা মরম ওইদুনা প্রোলিফরেসনগী রিস্ক থোকহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি এজেন্সি অসিগী মথৌনি।

চাইনাগা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা হোৎনরিবা মোস্কোনা দিল অসিগা মরী লৈননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু এসিয়া-পেসিফিক রিজনদা মুক্নবা অমদি উংখৎনবগী ফিভম লাকহন্নবা শিল্লি হায়না মরাল শীখি। এ য়ু কে য়ু এসগুম্বা ষ্ট্রকচরশিং শেমদুনা এঙ্গলো-সেক্সোন ৱার্ল্ডনা এসিয়া-পেসিফিক রিজনবা অচৌবা মুক্নবগী ফিভম লাকহন্নবা হোৎনরি হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সগি লাভরোবনা ফোঙদোকখি।

# ডাক্তরশিংগী ষ্ট্রাইক্না হোস্পিটাল ওপরেসনশিং, ক্রিটিকেল পেসেন্ট ক্যেরদা শোকহল্লে

লন্দন, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

নেসনেল হেল্থ স্কিম (এন ঐচ এস) কী মখাদা থবক তৌরিবা জুনিয়র ডাক্তর ৬১,০০০ না পেমেন্বা অমসুং ৱার্কিং কন্দিসন ফত্তবগা লোয়ননা ৱাকৎকা লোয়ননা ইংলেন্দ শীন থুংনা ষ্ট্রাইক চত্থরকপদগী লৈবাক অসিগী হোস্পিটাল ওপরেসনশিংদা চাওনা শোকহল্লে হায়না গার্দিনগী রিপোর্টনা হায়রি।




রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না জুনিয়র ডাক্তরশিং অদুনা থবক লেপখিবদগী আউট পেসেন্ট এপোইন্টমেন্ট লিশিং কয়া কেন্সেল তৌখ্রে অমসুং সর্জিকেল প্রোসিজর কয়া মতম য়ৈথোকখ্রে। ডাক্তরশিং অদুনা মখোয়গী পে চাদা ২৬ হেনগৎনবা তকশিন্দুনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭২ গী ওইবা ষ্ট্রাইক হৌখি।

হেল্থ সেক্রেটরি ষ্টিপ বার্ক্লেনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা ডাক্তরশিং অদুদা মখোয়গী ষ্ট্রাইক অদু কেন্সেল তৌননবা কন্না আপিল তৌরবসু বৃটিস মেদিকেল এসোসিয়েসন (বি এম এ) অমসুং হোস্পিটাল কন্সলটেন্টস এন্দ স্পেসিলিষ্ট এসোসিয়েসন (ঐচ সি এস এ) না মখোয়গী থৌরাং অদু কায়দনা থবক্তা ওন্থোরকখি।

ডাক্তরশিংগী য়ুনিয়নশিং অদুনা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী কুমজা ২০২২-২৩ চহীগী ওইনা ১-টাইম পেমেন্টগী মতাংদা অমদি মথং চহীদা পে হেনগৎহনবগী মতাংদা খন্নসি হায়রকখি। তৌইগুম্বসুং চাদা ২৬ কী চাংদা পে হেনগৎহনবগী ৱাফম অসিদি গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবা য়াদ্রি। ষ্ট্রাইক তৌরিবা জুনিয়র ডাক্তরশিং অদুনা ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিং অমসুং ক্রিকিকেল ক্যেরগা লোয়ননা মেটর্নিটি ৱার্দশিংদা থবক তৌ হায়বসু য়াদনা লৈরি হায়রি।

হোস্পিটাল অমগী সি ই ও অমনা গার্দিয়নদা ফোঙদোকখিবদা ষ্ট্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা ৱার্দশিংদা মহৌশাগা চাংদম্নবদা মেদিকেল রাউন্দগী চাং য়াম্না হন্থরক্লগনি। শুপ্নগী কন্সলটেন্ট অমা নত্ত্রগা অনীনা য়াম্লবা বেদশিং য়েংশিনবগী ফিভম লাক্লগনি। মখোয়না মসিদা নত্তনা এ এন ইদা লৈরিবা মীশিংবুসু য়েংশিনবা মথৌ তাগনি। হৌজিক নুমিৎ খুদিংগী পেসেন্টশিং, হোস্পিটালশিং অসিদা এদমিট তৌবা ঙম্লরোই হায়না সি ই ও অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এন ঐচ এসকী ওফিসলশিংনা ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা হায়রি, মদুদি মখোয়না সিনিয়র ডাক্তরশিং দিপ্লোই তৌগনি অমসুং ইমর্জেন্সি কেসকী মতাঙদা মীয়াম্না ৯৯৯ দা দাইল তৌগদবনি।

# য়ুএসতা কুমজা ২০২১ দা হেট ক্রাইম চাদা ১২ হেনগৎখি কাঙলূপতা য়ুম্ফম ওইরগা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি

ৱাশিংতন, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২১ দা য়ুএসতা হেট ক্রাইম চাদা ১২ রোম হেনগৎখি অমসুং ভিক্তিম চাদা ৬৪.৫ তি কাঙলূপতা য়ুম্ফম ওইরগা টার্গেট তৌখিবনি হায়না ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এফ বি আই) না হায়রি।




নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইস্যু তৌখিবা চহীগী রিপোর্টকী অপদেট অমদা এফ বি আইনা য়ুএসতা রেকোর্দ তৌখিবা অপুনবা ক্রাইমশিংগী চাদা ৪৩.২ কিহনবগা মরী লৈনৈ হায়খি।

লৈবাক পুম্বগী ওইনা হেট ক্রাইমগী থৌদোকশিং রিপোর্ট তৌখিবগী চাং কুমজা ২০২০ দা ৮,১২০ ওইরম্বদগী চাদা ১১.৬ হেনগৎতুনা কুমজা ২০২১ দা ৯,০৬৫ য়ৌখি। কুমজা ২০২১ গী অপদেট তৌবা দেটা সেদ অদুদা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা রিপোর্ট তৌবা হেট ক্রাইমগী থৌদোক পুম্নমক য়াওই। অপদেট তৌবা হেট ক্রাইমশিংগী দেটা সেদ অদুদা থৌদোক ১০,৮৪০ অমসুং মরী লৈনবা ওফেন্স ১২,৪১১ পল্লি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না কাঙলূপ নাইবা মীৎয়েংগা লোয়ননা চত্থখিবা হেট ক্রাইমগী থৌদোক ১০,৫০০ দা চেন্নখিবা ভিক্তিম মশিং ১২,৪১১ নি। অসুম্না কাঙলূপতা য়ুম্ফম ওইরগা লৈখিবা ভিক্তিমশিংগী পার্সেন্টেজ দিষ্ট্রিব্যুসনদা অপুনবা ভিক্তিমশিংগী চাদা ৬৪.৫ দি ওফেন্দরশিং অদুগী কাঙলূপ নাইবা ৱাখল্লোননা মরম ওইরগা চত্থখিবনি হায়বসি উৎলি।

অপুনবা থৌদোকশিংগী চাদা ১৫.৯ না ওফেন্দরশিং অদুগী সেক্সুয়েল-ওরেন্টেসনগা মরী লৈনৈ অমসুং চাদা ১৪.১ না ওফেন্দরশিং অদুগী লাইনিং লাইশোনদা য়ুম্ফম ওইরগা চত্থখিবনি হায়বসি উৎলি।

অপদেট তৌবা ২০২১ গী দেটা সেট অদুদা হেট ক্রাইমশিংনি হায়না ক্লাসিফাই তৌখিবা ওফেন্স ৮,৩২৭ গী মনুংদা চাদা ৪৩.২ দি কিহল্লগা চত্থখিবনি অমসুং চাদা ৩৫.৫ না ইচম চম্বা এসোল্ট ওইখি অমসুং চাদা ২০.১ না খরা শাথিবা মওংগী এসোল্ট ওইখি। রেপ ১৯ অমসুং মার্দর ১৮ দেটা সেট অদুদা হেট ক্রাইমশিং ওইনা রিপোর্ট তৌখি।

অতৈ হেট ক্রাইম ওফেন্স ৭০, অতৈ কেটিগরিগী মখাদা ক্লাসিফাই তৌখি। প্রোপর্টিগী মায়োক্তা চত্থখিবা ক্রাইমশিংনি হায়না ক্লাসিফাই তৌখি হেট ক্রাইম ওফেন্স ৩,৮১৭ গী মনুংদা চাদা ৭১.২ মাঙহন তাকহনবা অমসুং থুগায়বগী থবকশিং ওইখি।

# জমর্নিদা ষ্ট্রাইক্না মরম ওইদুনা এয়র ট্রাবেলদা অকায়বা থোক্লে

বর্লিন, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

জমর্নিগী মরু ওইবা এয়রপোর্ট মরিদা গ্রাউন্দ অমসুং ফ্লাইট কন্ট্রোল ষ্টাফকা লোয়ননা পব্লিক সেক্তর এমপ্লোয়িশিংনা ষ্ট্রাইক চত্থরকপদগী লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা এয়র ট্রাফিক লেপ্পগী ফিভম লৈরে।

জমর্ন এয়রপোর্ট এসোসিয়েসন (এ দি ভি) গী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা পুন্না ফ্লাইট ৩৫১ কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা পেসেঞ্জর ১০০,০০০ না মদুগী চৈথেং নঙখি।

এসোসিয়েসন অসিনা হায়রি, মদুদি ষ্ট্রাইকশিং অদু মাঙজৌননা মতম চানা লাউথোকখিদবা ওইবনা ট্রাবেল্লরশিং মখোয়গী অতোপ্পা পাপ্বেশিং থীবগী খুদোংচাবা ফঙখিদে।

এয়রপোর্টশিং অসি ক্রিটিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মনুং চল্লি অমসুং ষ্ট্রাইক্না মখোয়বু শোকহনবা তৌরোইদবনি হায়না এ দি ভিগী চীফ একজিক্যুটিব রাল্ফ বেসেলনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি জমর্নিগী মেট্রো পোলিটান রিজন কয়া ইন্টরনেসনেল এয়র ট্রাফিক্কা শম্ন হন্দ্রিবা ষ্ট্রাইকশিং অদু মতম কয়াগী মমাঙদা পীখিবা ষ্ট্রাইক্কী ৱার্নিংশিংগা মরী অমত্তা লৈনদে। বর্লিন ব্রান্দেনবর্ক এয়রপোর্ট খক্তদা দিপার্টচর ২০০ কেন্সেল তৌবদগী পেসেঞ্জর ২৭,০০০ অৱাবা নঙখি। হন্বর্গতা পুন্না দিপার্টচর ১২৩ কেন্সেল তৌখি অমসুং হেনোবর অমদি বেমেনদা এরাইবেলশিং নত্ত্রগা দিপার্টচরশিং অমত্তা লৈখিদে।

খ্বাইদগী চাওবা এয়রপোর্টশিং ওইরিবা ফ্রেঙ্কফর্দ অমসুং দুসেলদোফ য়াওনা জমর্ন এয়রপোর্টশিং হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা অকনবা ষ্ট্রাইকশিংনা মরম ওইদুনা অনীরক শোকহনখ্রবনি। ট্রেদ য়ুনিয়ন বর্দিনা পব্লিক সেক্তর এমপ্লোয়ি মিলিয়ন ২.৫ পুম্বগী পে চাদা ১০.৫ হেনগৎহন্নবা দিমান্দ তৌরি। য়ুনিয়নগী অপাম্বদি য়ামদ্রবদা থা অমদা য়ুরো ৫০০ হেনগৎহনবা অসিনি। এমপ্লোয়রশিংনা ষ্টেপ অনী থোক্না খুৎশুমল চাদা ৫ হেনগৎহনগে হায়না ষ্ট্রাইক তৌরিবা এমপ্লোয়িশিংদা ওফর তৌখি হায়রি।

# মোস্কোগী খোঙচৎ মতুংদা সি জিনপিংনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সিগা ৱারী শানরগনি

ৱাশিংতন, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাখিবদগী অহানবা ওইনা চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগা ৱারী শানরগনি হায়না ৱার্ল ষ্ট্রিট জর্নেলগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।



হিরম অসিগী মতাংদা খঙবা মীওইশিংগী ৱারোল পল্লদুনা পব্লিকেসন অসিনা হায়রি, মদুদি মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মোস্কোগী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা চাইনিজ লিদর সি জিনপিংনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টদা কোল তৌবা য়াই।

মোস্কোগী খোঙচৎ অদুদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট অসিনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিনগা উন্নদুনা য়ুক্রেনগী লানগী মতাংদা ৱারী শানগদৌরিবনি। অদুম ওইনমক ক্রেমলিনগী মায়কৈদগীদি সিগী মোস্কো খোঙচৎ অদু ওফিসল ওইনা কনফার্ম তৌবা লৈত্রি।

মোস্কোদা ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন দমিট্রি পেস্কোবনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি মপানগী ওফিসল ভিজিটশিং পার্টিশিংগী মরক্তা য়ানরবা মতুং নাকল অনীগী মরক্তা কোওর্দিনেসন তৌনদুনা পাঙথোকপা হায়বসি মহৌশাদগী চৎনদুনা লাকই।

চাইনিজ লিদরগী অসিগুম্বা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্কদবা লৈরবদি মদু ঐখোয়না শোয়দনা মতম চানা খঙহনগনি। করিগুম্বা সি জিনপিংনা মথং চয়োলদা রসিয়াদা চৎপা তারবদি মদু হান্না থাজনখিবা মতমদগী ঙনখৎকদৌরিবনি। হান্নদি খোঙচৎ অদু এপ্রিল লোইরকপা নত্ত্রগা মেদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পান্নরম্বনি।

প্রসিদেন্ট পুটিননা সিগী মোস্কো খোঙচৎকী ৱাফম মমাঙগী থাদা পনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না চপ চাবা তারিখতি পনখিদে। পনবা য়াবদি, চাইনানা মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা ৱাতেম্বগী থৌদাং লৌগে হায়না ওফর তৌখিবনি। তৌইগুম্বসুং বৈজিংগী ৱাফম অসিদা নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা থাজবা ঙমদ্রি।

মমাঙদা বৈজিংনা পোইন্ট ১২ গী ওইবা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী পেপর অমগী মওংদা পিছ প্লান অমা মায়খুম হাংবা লৈখ্রবনি। প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা মমাঙদা কুমজা ২০২২ গী সেপ্টেম্বরদা সেন্ট্রেল এসিয়াদা পাঙথোকখিবা সম্মিটতা পুটিনগা উনখি।

চৈরকসিদা য়ুক্রেনগী তুংগী ফিভম লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা শোক্নরিবা লানফম খরগী রিজল্টশিংগী মখা পোনগনি হায়না জেলেন্সকিনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখ্রে।

# কম্বোদিয়াগী ইনর্জি সপ্লাই চাদা ৬২ রিন্যুএবল ইনর্জি ওইরি

নোমপেন, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

কম্বোদিয়াগী ইন্সটোল ইলেক্ট্রিসিটি কেপাসিটিগী চাদা ৬২ হেন্না রিন্যুএবল ইনর্জি ওইরে হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পুরসাট প্রোভিন্সতা পায়খৎলিবা মেগাৱাট ৮০ গী হাইদ্রো পৱার প্লান্ট অমগী কন্স্ট্রক্সন সাইটতা চৎখিবা খোঙচৎ অমগী মনুংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হুন সেননা হায়খি, মদুদি কম্বোদিয়া অসি ইনভাইরনমেন্টদা পোল্লুসন থোকহন্দবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইহনবা য়াই। হাইদ্রো পৱার অসি তরু তনানবা অমসুং গ্রিন ইনর্জি পুথোক্লবগী খ্বাইদগী ফবা চোইস অমা ওইরি। রিন্যুএবল ইনর্জি হায়বসি হাইদ্রো পৱার, সোল্লর ইনর্জি অমসুং বাইওমাস ইনর্জিগুম্বা ছোর্সশিংদগী পুথোকপা ইনর্জি অদুগুম্বনি।

কম্বোদিয়াদা রিন্যুএবল ইনর্জি অয়াম্বা হাইদ্রো পৱার দামশিংনা পুথোকই। ইলেক্ট্রিসিটি ওথোরিটি ওফ কম্বোদিয়া (ই এ সি) গী মতুং ইন্না কম্বোদিয়াদা ইনর্জি সপ্লাই অসি কুমজা ২০২২ দা মেগাৱাট ৪,৪৯৫ তা য়ৌখি। মমাঙগী চহীদা মেগাৱাট ৩,৯৯০ ওইরম্বদগী চাদা ১২.৬ তা হেনগৎলক্কুনা লেভেল অসি য়ৌরকখিবনি।

মমাঙগী চহী ফাওবদা কিংদম অসিগী অপুনবা ভিলেজ ১৪,১৬৮ কী চাদা ৯৮.২৭ দা ইলেক্ট্রিসিটিগী খুদোংচাবা ফঙখি হায়না ই এ সিনা ক্লেম তৌরি।

# ইমরান খানগী মায়োক্তা ইস্যু তৌখিবা নন-বেলেবল ৱারেন্ট সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, ১৪ (এজেন্সী):

হৌখিবা চহীদা মীয়ামগী মীটিন অমদা ৱা ঙাঙবদা নুপী মেজিষ্ট্রেট অমবু কিহনখিবগী থবক পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা ইস্যু তৌখিবা নন-বেলেবল এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাকিষ্টানগী কোর্ট অমনা মার্চ ১৬ ফাওবা সস্পেন্দ তৌখ্রে।



দোনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ জেবা চৌধরি অমসুং ইস্লামাবাদ পুলিস ওফিসলশিংগী মায়োক্তা কিহনবগী ৱাহৈশিং শীজিন্নখিবগীদমক্তা পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী চীফ খানগী মায়োক্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নন-বেলেবল এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখি।

খানগী কাউন্সেলনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী হিয়ারিংদা হায়খি, মদুদি মশাগী চহী ৭০ শুরবা পি টি আইগী লুচিংবা অদু ভিদিও লিঙ্ককী খুথাংদা কোর্টকী প্রোসিদিংসতা শরুক য়াননবা শেম শাদুনা লৈ। তৌইগুম্বসুং সিনিয়র সিভিল জজ রনা মুজাহিট রাহিম্না মহাক্কী প্লি অদুবু রিজেক্ট তৌখি অমসুং পুলিসতা খানবু মার্চ ২৯ ফাওবগী মনুংদা কোর্টতা পুথোরক্নবা ইন্স্ট্রক্সন পীখি।

পি টি আইগী লুচিংবা অসিনা ৱারেন্টশিং অদুবু দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌখি। এদিস্নেল সেসন জজ ফাইজান হাইদর গিলানিনা ওর্দর অদুদা হায়খি, মদুদি পিটিস্নরগী লাইফতা সেক্যুরিটিগী থ্রেট পীরকপনা মরম ওইদুনা পিটিস্নরনা লার্নেদ ট্রাইয়েল কোর্টতা লাকপা ঙমখিদবনি হায়বসি কোর্টনা তারে।

হিয়ারিং অদুদা খানগী উকিল অমনা হায়খি, হান্নগী পিএম খানগী মায়োক্তা লৈরিবা সেক্যুরিটি থ্রেটশিং অদু য়েংলগা মহাক্না ইস্লামাবাদতা লাকপা হায়বসি খুদোংথীনিংঙাইনি। মখোয়না ইস্লামাবাদ হায় কোর্ট (আই এস সি) দা পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা ভার্চু এল এপিয়ারেন্স য়াহনবীনবগী অয়াবা পীবিনবা হায়জবসু লৈখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মলাৱিদা সাইক্লোন ফ্রেদিনা শিহনবা মী মশিং ৯৯ শুরে

ৱিলোংৱে, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):

মলাৱিদা মতিক ময়াই লৈরবা ট্রোপিকেল সাইক্লোন ফ্রেদি শিৎচিল্লকপদগী ইষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিদা শিখিবা মী মশিং হৌজিক ফাওবদা ৯৯ শুরে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।



ওথোরিটিশিং অসিগী মতুং ইন্না হৌজিক রেস্ক্যু ওপরেসন চত্থরি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা পাউমীশিংদা অশিবশিংগী মশিং কনফার্ম তৌরদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ দিজাষ্টর এন্দ মেনেজমেন্ট এফিয়র্স (দি ও দি এম এ) গী কম্মিস্নর চার্লস কালেম্বনা হায়খি, মদুদি কর্ম্মসিএল সিটি ব্লান্টিরে খক্তদা মীওই ৮৫ শিখি।

সাইক্লোন অদুনা মরম ওইদুনা থোকখিবা থৌদোকশিংদা মীওই ১৩৪ অরুবা ফিভমদা অশোক অপন নঙখি। সাইক্লোন অদুনা কা হেন্না শোকহনখিবা দিষ্ট্রিক্ট তরাদা প্রোপর্টিশিং পাক শন্না মাঙহন তাকহনখি। মীশি মীনাশিং অদু অয়াম্বনা ব্লান্টিরে য়াওনা সাইক্লোন অদুনা শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা য়ুম তেকথরকপা, খঙহৌদনা ঈচাও অমদি লেন্দ স্লাইদশিং থোক্লকপদগীনি।

ব্লান্টিরেদা লৈবা চীং অমা নিংখায়রকপদগী লৈখোম লৈনাং মপৈশিং অমদি চাওরবা নুঙ কয়া চেন্থরকখিবগা লোয়ননা মশিং য়াম্লবা য়ুমশিং চেন্থখি অমদি মীওই কয়াসু ফুমজিনখি। সাইক্লোন অদুনা পৱার জেনরেসন ইনফ্রাষ্ট্রকচরসু মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অপুম্বা নিংথৌকাবগী অয়ুক্তগী মৈ ফঙদনা লাকখি।

মলাৱিগী প্রসিদেন্ট লজারস চাকৱেরানা দিষ্ট্রিক্ট তরাদা ইমার্জেন্সি লাউথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্টশিং অদু সাইক্লোন অদুনা কা হেন্না শোকহল্লিবা লৈবাক অদুগী খা থঙবা লমদমদা লৈবশিংনি। ফ্রেদি অসি হৌজিক ফাওবগী রেকোর্দতা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা ট্রোপিকেল সাইক্লোননি।

ৱার্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না সাইক্লোন অসি মতম শাংনা মতিক ময়াই হন্থদনা লৈবা য়াই। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অনীরকশুবা ওইনা সাইক্লোন ফ্রেদি মুজাম্বিক্তা শাফু কন্না শিৎচিল্লকখি।

ইন্দিয়ন ওসিনগী ঈথৎ লৈবাক মদাগাস্কর শীন থুংখিবা মতুং থা অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা সাইক্লোন ফ্রেদি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মুজাম্বিক্তা অমুক শিৎচিল্লকখি। সাইক্লোন অদুনা মুজাম্বিক্তা কদায় ফাওবগী চাংদা অমাঙ অতা অমদি মীশি মীনাশিং থোকহল্লবগে হায়বসি লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা পৱার সপ্লাই অমসুং ফোন সিগ্নেলশিং তৎখিবনা মরম ওইদুনা লেপ্পা ঙমদনা লৈরি।

সাইক্লোন ফ্রেদি নোর্থ-ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়াদগী ইন্দিয়ন ওসিনদা কিমি ৮০০০ ফাওবা শিৎলক্তুনা রেকোর্দ ওইবা মওংদা সাইক্লোন অমগী মতিক ময়াই উৎখি।

Fax : 0385-2414625
Phone : 0385-2414539
0385-2414629
e-mail : rims@rims.edu.in
website : www.rims.edu.in

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
LAMPHELPAT, IMPHAL - 795004 : MANIPUR

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE
Imphal, the 14th March, 2023

**No. B/3222/2018-RIMS (Pt.):** In continuation of this office Notice No. B/3588/2021-RIMS dated 1st June, 2022 postponing the written examination of the following posts, the written examination for the post of Laboratory Assistant, RIMS, Imphal on regular basis, the written examination is scheduled on 5th April, 2023 at 1:00 p.m. in the Examination Hall, RIMS,Imphal.

This issues with the approval of Director, RIMS, Imphal.

Sd/- **Naorem Indrakumar Singh**
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-B/8068/15

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**
**Ref. Mut. Case No. 127/SDC/IW(P) of 2023**
Shri Wahengbam Sarat Singh, S/o (L) Wahengbam Balop Singh of Ghari Awang Leikai -Petitioner/Petitioners
-Vrs-
Late Shri Wahengbam Balop Singh, S/o (Late) Wahengbam Modhu Singh of Ghari -O.P. Party/Parties

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE
14th March, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎসোই তাহশিলগী খুল নম্বর 82-Ghari গী পাট্টা নম্বর (i) 25 (Old) 144 (New) (ii) 144 (Old) 656/657 (New) দাগ নম্বর (i) 313 (ii) 816/817 গী পোইন্ট (i) .04 (ii) .025 একর চাওবা ইম্খোলগী অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/০৩/২০২৩ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi
HL-P/6304/15

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**
**Ref. Mut. Case No. 128/SDC/IW(P) of 2023**
Shri Pheiroijam Tamphamani Devi, D/o (Late) Pheiroijam Birachandra Singh of Takyel Kolom Leikai -Petitioner/Petitioners
-Vrs-
Late Shri Ksh. (N) Ph. (O) Rasamani Devi, W/o Birachandra Singh @ Amu Singh of Takyel Kolom Leikai -O.P. Party/Parties

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE
14th March, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎসোই তাহশিলগী খুল নম্বর 94-Langjing গী পাট্টা নম্বর (i) 73 (New) (ii) 131 (Old) 241/462 (New) দাগ নম্বর (i) 76 (ii) 77/718 গী পোইন্ট (i) .55 (ii) .62 একর চাওবা ফৌরেল/লৌউফমশিং অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/০৩/২০২৩ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi
HL-P/6304/15